## কে সী পি-পি দল্লিয়ু...

*লমায় ১গী মখা...* দুকান ৱাবগাই কৈথেলদা লৈববু বনধোপ থমদোক-থমজিন তৌবদা মখোয় খরা মান্নরগা ব্লেঙ্ক পেপরদা খুবীগী খূৎয়েক তৌহনদুনা কনা লৈত্রবা খোমদোনবীগী দুকান মৎনবা হোৎনরম্বশিং লূপতা নুমিৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা চঙজরক্কদবনি হায়রি।

করিগুম্বা চঙজরক্ত্রবদি তুংদা থোরকপা অফ-ফত্ত মশা-মশানা পুজগদবনি হায়রদুনা চেরোল অসিনা চেন্নবনি হায়দুনা ফোঙদোরক্লিবা মীওইশিংনা ৱাবগাই লৈরক অচৌবদগী থৌনাওজম প্রেমচান্দ অপোকপা মঙ্গিনা নম্ফু হাফুদা খূৎয়েক পীহল্লগা খোমদোনবীগী দুকান মৎনবা তৌবদা চেন্নবনি হায়রি। হিয়াংলম মখা লৈকায়দগী তাইবঙজম লকি এলিয়জ অতোম্বা মীতৈ অপোকপা দেবেন মীতৈ হায়রিবা অসিনা অশেংবা দুকান মপু ওইরিবা খোমদোনবীদগী মোইথেম তৌরগা দুকান হল্লনি হায়জিন্দুনা লুপা লাখ ২০ লৌথোকপীখ্রে। অদুগা এলাংবম মেরাতোন অমসুং এলাংবম মনিথোইবী, এলাংবম লাংওনবা এলিয়জ সোসো হায়রিবা মীওইশিং অসিনা দুকান বনধোপ লৌবা মীওইনি অমসুং মখোয়না গেঙ খূৎপু অমা শেমগৎতুনা কনা লৈজদ্রবা ৱাই খোমদোনবীদা কিহন খংহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মরম্না নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লূপ্তা চঙজরক্ত্রবদি মফম মতম য়েংদনা খূৎ থারগনি হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 95.831505 |
| US Dollar | 85.412689 |
| British Pound | 113.771611 |
| Australian Dollar | 55.204576 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.855174 |
| Japanese Yen | 0.583880 |
| Malaysian Ringgit | 19.911451 |
| Singapore Dollar | 65.763433 |
| South Korean Won | 0.061096 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.776717 |
| Thai Baht | 2.557277 |

**'করপসন' গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk upto date**
Timing 7am to 10am
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-01-05-25,**
VALID FROM 23-04-2025,
**STOCK: 324,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery Only
**Booking Upto Date**
Office contact no. 9362654114
Whatsapp no. 9863624773
Time:8.30 am to 12.30 pm
Available 10 kg, 5kg, 19 kg
**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 19-04-25**
Only home delivery sarvice
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Message no.8974511936
**Stock.324**
Time 7.30am to 10.am

**HL Poll**

Q : Presidents Rulegi leingakna Manipurgi tamthiraba Langi waroisin puraknaba thabak pangthokpa ngamdre haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : MLA amasung Ex-MLAsing awai akhum tounabagi mahutta meeyamgi leingak ama lingnaba amatta oina hotnaminnabana achumba oiroidra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- ইতাও নহাক চোংবা লমদম্নরেনে?



- ঐ চোংবগী গিনিস রেকোর্দ থম্নরগে তৌবনি।

## মখোঙদগীনা মকোক ফাওবদা লৈবশিংনা কন্ত্রেক্টরশিংদগী য়াম্লবা শেনফম খোমগৎপদগী পি এম জি এস ৱাই মনীং হনবনি

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):**

মণিপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর গ্রাম সড়ক যোজনা (পি এম জি এস ৱাই) গী থবক থৌরমশিং মনীং হল্লিবসি স্কিম অসিবু পায়রিবা মখোঙদগীনা মকোক ফাওবগী মীওইশিংনা কন্ত্রেক্টরশিংদগী য়াম্লবা শেনফম খোমগৎপদগী ক্বালিটি মেন্টেন তৌদুনা থবক তৌরক্তবদগী মনীং হল্লকপনি হায়না ওল মণিপুর কন্ত্রেক্টর এসোসিএশন ফোরমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।



এসোসিএশন অসিগী মায়কৈদগী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, কন্ত্রেক্টরশিংনা থবক ফংনবা হোৎনবদগী হৌরগা বিল লৌনবা হোৎনবদা থবক অদুগী অপূনবা শেনফমগী চাদা ২০দগী ৩০ ফাওবা চৎলি। মসিগী মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং কন্ত্রেক্টরশিংগী খূৎতা লৈ। পর্সেন্টেজ পীদ্রবদি চ্যেরমেনদগী বিল থাদোক্তে অমসুং চহী খরা কোভিদকী চৈথেং নংলুরবা মতুংদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদা কন্ত্রেক্টরশিংগী পোৎ চৈ কয়া মৈ চাক্তুনা অমাঙ অতা থোকখি। মরী লৈনবশিংনা বিল মতম চানা পীবিদবদগী কন্ত্রেক্টরশিংনা ক্বালিটি লৈনা থবক শূবা ঙমদবনি। মরম অসিনা চহী ৭ লোম অসিদা মণিপুরদা পি এম জি এস ৱাইগী থবক্তা মনীং হনবনি হায়নসু ফোরম অসিগী কনভিনর সোমোরেন্দ্রনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোরম অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবনি।

## নিংথৌখোং রিলিফ কেম্পকী মহৈরোয় ৭ পাস...

*লমায় ১গী মখা...* টেন অমসুং ত্বেলভকী এগজামিনেশন থাগদবা মহৈরোয়শিংগীদমক করিসু অহেনবা য়েংশিনবীখিবা লৈতে। লৈত-লায়রা কয়াগী মরক্তা ইচাশিংবু ট্যুশন তৌহনবসু ঙমখিদে। ট্যুশনদি লায়রদনা গাইদ ফাওবা লৈজখিদে। লাইরিক শুনা অমসুং কলম অতাঙবা অমা ফাওবা ইচাগীদমক মমা-মপা ঐখোয়না লৈবীবা ঙমখিদে। অদুবু সেকেন্দ দিভিজনদা মায় পাক্লকপদা টোপ্পর ওইরক্লবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনা হরাওবা অদুগী চাংদগী তাদনা ঐখোয়সু হরাওই। প্রাইভেটকী হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংনা রিলিফ কেম্পতা লৈবগীদি মহৈরোয় ৪/৫ ফাওবদি লেম্না তমহনবীগনি হায়বগী অয়াবা পীবিরক্লিবা অসিগুম্না অতৈ স্কুলশিংদসু খুদোংচাবা অসি ফংহন্নীংই হায়রকখি।

চুড়াচান্দপুরগী ঙাথল মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেন্নরক্লগা ফর্ষ্ট দিভিজনদা মায় পাক্লকুবী রেবেক্কা পুখ্রম্বম (১৫) (অপোকপা হেরা অমদি অপোকপী কুঞ্জরানি) গী মায়কৈদগী রেবেক্কা মশা য়াওনা পাউচে অসিদা হায়, ঐবু পোকপা ইপানা রিলিফ কেম্পতা লৈদুনা ময়ামগী চাক-ঈশিং থোংই অমদি ইমানা অফংবা থবক শূরগা য়ূম লৈজদ্রবসু ঐহাকপু বোর্দিংদা থম্বীদুনা মায় পাক্লবা হোৎনবীখিবা অসিমক্তা ঐনা মায় পাক্লকপগী ক্রেদিট অসি ইমা অমসুং ইপাদা পীনীংই হায়না মমিৎতা মপি তানা ফোঙদোরকখি।

চুড়াচান্দপুরগী জৌ ভেঙদগী লাঞ্জেল্লক্লবসু সেকেন্দ দিভিজনদা মায় পাক্লক্লবা থৌদাম ইবেম্মা (১৭) (অপোকপা অরুন অমদি অপোকপী বিমোলা) গী মায়কৈদগী পাউচে অসিদা হায়, ইচাগীদমক অহেনবা করিসু তৌবা ঙমখিদে। মহাক্লা শোনবা সবজেক্টশিং য়েংশিনবা ঙমখিদ্রবসু মায় পাক্লক্লিবা অসিদি অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই হায়রকখি। (মথং-মথং)

## মেঘালয়দগী রিমসতা বি এস ...

*লমায় ১গী মখা...*থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮.২৫ রোম তারকপদা থেংনরকপনি। মহাক্লা শিরল্লিবা কা অদু কুমজা ২০১৭তা মৈ চাকখিবদগী শীজিন্নদনা থল্লকপা হোষ্টেলগী কানি হায়রি।

মহাক মশানা নর্সিং হোষ্টেলগী লৈবাকলৈ হাউসকী রুম নম্বর ৪দা লৈবনি। থৌদোক থোকফমদা পুলিসনা ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রবা মতুং অন নেচরেল দেথকী কেস অমা লৌখৎখ্রে। মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং লাক্লবা মতুংদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌগনি হায়রি।

থৌদোক অসিবু রিমসকী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

## ভি দি এফশিং ঙসিদগী...

*লমায় ১গী মখা...* চঙশিনখি।

খোঙজংদা শরুক য়াখিবী অহোংশাংবম লক্সমিনা হায়, ভি দি এফশিং লৈবদগী ৱাখল লৈতানা খুঞ্জাশিংনা লৈরিবনি। মখোয় লৈত্রবদি তূম্ফম চাফম খঙলোই। মরম অসিনা ভি দি এফশিংগী দিমান্দ গভর্ণরনা পীদুনা মখা তানা খুল ঙাকহনবীয়ু অমসুং ভি দি এফশিং চৎখিবসু য়ারোই হায়খি।

ইরেংবম মখা মনীং লৈকায় এল এল আই লো কেনেল মপান্দা লৈবা ভি দি এফকী বঙ্করদসু ইরেংবম অপূনবা মৈরা পায়বীনা খোঙজং চঙশিল্লদুনা লুপ অসিগী সেক্রেটরি থিংবাইজম জমুনানা হায়, ভি দি এফশিংনা আই আর বি/কম্যান্দোগুম্না পুং ২৪ মথৌ তৌরক্লি। মখোয়গী ফংফম থোকপশিং পীদবদগী খূৎলায় থাদোক্লগনি হায়রকপনি। মরম অসিনা ভি দি এফশিং খূৎলায় থাদোকপা য়ারোই অমসুং চৎখিবসু য়ারোই হায়খি।

অমরোমদা, কবোৱাকচীং মনীং এল এল আই লো কেনেল মপান্দা শাবা বঙ্করদসু কবোৱাকচীংগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা ভি দি এফশিংনা খূৎলায় থাদোকপা য়ারোই হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখি।

খোঙজংদা শরুক য়াখিবী ৱারেপম ইবেচানা হায়, ভি দি এফশিংনা খুল ঙাকপীবদগী অকিবা লৈতনা তূল্লিবনি। লৌউ-শিংউবগী থবকসু তৌরি। মখোয় চৎখ্রবদি কনানা খুল ঙাকপীগনি হংলদুনা ভি দি এফশিং চৎখিবা য়ারোই অমসুং খূৎলায় থাদোকপসু য়ারোই হায়রদুনা লৈঙাক্লসু মখোয়গী পীফম থোকপশিং পীগদবনি হায়খি।

## মসলসা : উরুপ ও বি সী...

*লমায় ১গী মখা...* মখা তারকপদা ঙসিসু উরুপ ও বি সী গর্লস হোটেল রিলিফ কেম্পতা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার, মসলসাগী এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেনসু ওইরিবা জষ্টিস এ বিমোল অমদি জষ্টিস এ গুনেশ্বরনা হকথেংননা চৎতুনা মেদিকেল কেম্প অদুবু য়েংশিনখিবগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদা জুম্বো বোক্স, কাম্বল (ফোলদিং দবল), লেম্পকা কোন্নবা টোর্চ লাইট, দাইপর, বকেট, মগ, অঙাংগী শঙ্গোম, সেনিটরি পেদ, সাপোন, ফিশু সাপোন, কাংহীদাক অমসুং ফুটবোল অমদি বোল্লিবোলনচিংবা স্পোর্টসকী আইটেমশিং য়াওনা অঙাংশিংগী ফিরোল অমদি খোঙউপ অমসুং শান্নপোৎশিংসু য়েম্লোকখ্রে।

থৌরম অসিদা হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওজেশ মুতুম, ইম্ফাল ইষ্ট দি এল এস এগী চ্যেরপর্সন এল ননলৈমা, মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি অলেক মুইভা, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চ্যেরমেন এস ব্রজবিহারি, হায় কোর্ট বার এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই নিরমোলচান্দ, দেপ্যুটি কম্মিস্নর নিবেদিতা লাইরেনলাকপম অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এম ও অমসুং ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি।

## শ্রীশ্রীগোবিন্দজি টেম্পলগী ফুট পাঠশিং শেম্বীরম্বা...

*লমায় ১গী মখা...* থৌপুবশিং মৈ হৌনা শাওদুনা ফুট পাঠকী নুঙশিং পাউমীশিংদা ফক্তোক্তুনা য়েংহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা টেম্পল বোর্দকী সেক্সন ওফিসর এম বরিসনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা ফুট পাঠ অসি শীজিন্নবা য়াদ্রবনিনা নীংথিজনা শেম্বী শাবীবা ঙমগদবা মীদা হায়জরুরগনি। থা অসিগী ৪দসু পাউগী মীফম পাঙথোক্তুনা ফুট পাঠ শেমজিল্লম্বা কম্পনি অসিগী মনাকোং য়ৌহনখ্রবসু ঙসি ফাওবদা মখোয়গী মথক থোংবশিংগী অয়াবা য়াওদে হায়দুনা হন্না য়েংলদ্রে। মরম অসিনা নীংথিজনা শেমজিল্লমদবা ফুট পাঠকী নূঙশিং লৌথোক্তুনা শেম্বীবা ঙমগদবা মীওইদা হায়জরুনবা টেম্পল বোর্দনা ৱারেপ লৌরে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অদুগা মহাক্লা থা অসিগী ৪দা পাউগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লবদগী মহাক্কী মথক্তা কিহন-খংহনবা কয়া লাক্লবসু থবক অসিদি লৈবাক খুন্নাইগী অমসুং মালেম পূম্বগী ওইবনিনা অকিবা লৈতনা থেংনগনি অমসুং কৈদৌনুংদা য়াশিন্নরোই হায়খি।

থৌওং অসিদি শ্রীশ্রীগোবিন্দজিবু নমশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবনি। মতম কুইনা চিন মেনশিন্দুনা থল্লকপদু শ্রীশ্রীগোবিন্দজিগী থৌজালদগী ঙাঙথোকপা ঙল্লকপনি হায়খি।

অমরোমদা টেম্পল বোর্দকী সেক্রেটরি খোংবান্তাবম জয়চন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা লাইগী থৌগল তৌনবা লাক্লিবা য়াম্লবা মীয়াম্না খোঙনা চৎপা নৎত্রগা গাড়ী মচা থৌবদা ফুট পাঠকী ফীভম অসিনা লৈখোম লৈনাং কাপশিনবগী কমপ্লেন্ট লাকমনবদগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ফক্তোক্লগা নৌনা শেম্নবা ৱারেপ্পবনি। মসিদা নত্তনা অকোয়বগী লম্বীশিংসু য়েংশিলহন্নীংই হায়রদুনা শ্রীশ্রীগোবিন্দজিগী লাইশঙদা ঠিকা নৎত্রগা লল্লোনবগুম্বগী থবক তৌহন্নীংদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## লৈঙাক শেম্বগী মতাংদা বি জে পিগী এম এল এশিংগা ৱারী...

*লমায় ১গী মখা...* নত্তনা এম এল এ মঙা লৈরিবা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রগী মহুত্তা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লীদর ওক্রম ইবোবীনা মহুৎ শিন্দুনা ওইরগনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরক্লে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপা থা ৩ হেঞ্জিল্লকপগা ইরোয়ননা থোরক্লিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা তাংদাংবা অমা খঙদোক্লবা পাউচে অসিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী দেপ্যুটি লীদরসু ওইরিবা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎকা অনীরক হন্না ৱারী শানদুনা হংলুবদা মহাক্লা হায়, প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়া খরদা ফোঙদোক্লরক্লিবা অমসুং সোশল মীদিয়াদা পোষ্ট তৌনরক্লিবা ৱাফমশিং অসি অমত্তা চুমদে। কোংগ্রেসকী এম এল এশিংগা লৈঙাক শেম্নিংবা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তা ৱারী-ৱাতাই শানবা শুক্লে লৈতে।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিনা করি করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা খন্নরুনবা ঙরাং সী এল পি লীদর ওক্রম ইবোবী, এ আই সী সীগী মেম্বর গাইখাঙম অমসুং খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বর দেল্লীদা চৎখিবনি। পার্টিগী লুচিংবা অহুম্না ঙরাং দেল্লীদা থুংবগা পন্থদনা ঙসি অয়ুক মফম অদুদা লৈবা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খর্গেগা হকথেংননা উনখ্রে। অদুগা হীরম অসিগী মতাংদা কৃপ্না ৱারী শানখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ তারকপদা মণিপুরগী কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অহুমগা পার্টিগী নেশনল প্রসিদেন্টগা উনখিবনি। দেল্লীগী খোঙচৎ অসিদা কোংগ্রেসকী এম এল এ মঙা লোইনমক চৎপসু নত্তে। পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং ঐহাক ইশামক চত্তে। মরম অসিনা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুলগী মহুত্তা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমগনি হায়রিবা অমসুং শেম্নিংবশিংগা কোংগ্রেসকা হীরম অমত্তদা পাউ ফাওনবা লৈতে। কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগীদি প্রসিদেন্টস রুল লাক্লগা চহী অনী হেঞ্জিল্লক্লবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা তংদু লৈতাবা অমসুং মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্লগনি হায়না থাজরুবনি। অদুবু প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসিদি ফেব্রুৱারী ৯দা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা রিজাইন তৌহনখিবা মণিপুর লৈঙাক অদুগা করিমত্তা খেন্নবা লৈত্রে। কোংগ্রেস পার্টি অমসুং লান নংলবা মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোরক্ত্রে, হামু-হামু তারে। মরম অসিনা ওইরিবা ফীভম অসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক কোংগ্রেসনা করি তৌগদগে হায়বদু খন্ননবা দেল্লীদা পার্টিগী মীহুৎ অহুম চৎখিবনি। পার্টিগী লুচিংবশিং মথং-মথং উনদুনা ৱারী শারবা মতুংদা মীহুৎ অহুম্মক হয়েং নৎত্রগা হংচিৎ হল্লক্লবা য়াই হায়রকখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট শিনবা-শিন্দবগী মতাংদা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিং পল্লদুনা দেপ্যুটি সী এল পি লীদর কে রঞ্জিৎনা পাউচে অসিদা হায়, হৌজিক লৈরিবা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রগী মতম হৌখিবা মার্চ থাদা লোইখ্রে। পার্টিগী প্রসিদেন্টগী ফমসি চহী ৩/৩গীনি। অদুবু ফম অসি মহাক্লা মখা তানা পুগদবা ওইরবসু নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টিগী মীওই অমবু প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লক্কদবা ওইরবসু কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা 'বাই কনভেন্সন' দা চৎনবী অমা লৈ। এ আই সী সীনা ফরে খনবা থবক শোয়দনা পায়খৎলক্কনি। এ আই সী সীগী মায়কৈদগী মখা শাংথহল্লকপসু য়ারি নৎত্রগা অনৌবা অমা খল্লকপসু য়ারি। তৌবতবু পার্টিগী প্রসিদেন্টকী ফম মুন্নবা নৎত্রগা অমনা অমনা ওইনীংই হায়দুনা এ আই সী সীগী লুচিংবশিংদা চৎতুনা ৱানোম্বগী চৎনবী ঐখোয়গী পার্টিদা লৈতে। এ আই সী সীনা ইলেক্সন তৌদুনা খল্লু হায়রবসু খনবা য়াই। পার্টি প্রসিদেন্টকী মতাংদা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়া খরনা অমসুং সোশল মীদিয়াদা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফম অচুম্বা অমত্তা নত্তে হায়না মখা তারকখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা বি জে পিগী এম এল এ ১৩, এন পি পি অমসুং এন পি এফকী এম এল এ ৩/৩গা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ২গা পূন্না ২১না খূৎয়েক পীদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা মণিপুরদা মীয়ামগী অনৌবা লৈঙাক অমা লীংহনবীয়ু হায়জখিবা লৈখ্রবনি। খূৎয়েক পীখিবা এম এল এ ২১গী মনুংদা য়াওবা অমনসু মখোয়গী মায়কৈদা এম এল এ ২৩ শুরে। লৈঙাক শেম্নবা ক্লেম তৌবদা এম এল এ ৩০গী মথৌ তাবনিনা ৱাৎহৌরিবা ৭ মেনশিন্নবা হোৎনরি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুগা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদনা বি জে পিগী নোর্থ ইষ্টকী কোওর্দিনেটর অমসুং মণিপুরগী ইন-চাজনি হায়বা বি জে পিগী এম পি সম্বিত পাত্র লাক্তুনা স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত য়াওনা এম এল এ খরগা উনরমখ্রে। গভর্ণরগসু উনবতা নত্তনা চুড়াচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীদা চৎতুনা কুকি-জোগী এম এল এ খরগসু উনরমখিবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক প্রসিদেন্টস রুলগী মহুত্তা মেজোরিটি কম্যান্দ তৌদুনা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎতি পীরমখিদবনি।

## সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল...

*লমায় ১গী মখা...*মায়োক্তা থোরকখিবনি। এন এস সী এনগী মায়কৈদগীদি ফেষ্টিবেলসিগী মনুংদা কুকি-জোগী মায়কৈদগী অকক্লবা ফূরুপশিংদা অতম্ননা অয়েৎ-অপন পীরক্লবদি তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। কুকি-জোগী ভিলেজ ভোলন্টিয়রগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোলদু অতম্না শীংনবনি লৌই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অদুগা রাজ ভবনদা লাক্তুনা মহাক্লা উনখ্রবা বি জে পি অমসুং অতৈ পার্টিগী এম এল এশিংনা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফমশিংগী মতাংদসু মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা লানখৎলবা য়াই হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা মহাক্কী দেল্লী খোঙচৎকীদমক হৌজিক্তগী হৌনা শেম শাবা হৌরে। মরু ওইবা রিপোর্টশিং থৌরাং তৌরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২০দগী হৌগদৌরিবা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল ২০২৫ অসিবু মায় পাক্লা অমসুং মপূং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক থা অসিগী ১২দা টুরিজম লোয়শঙগী সেক্রেটরি ৱোরসিং হুংয়ো, লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর পূজা এলাংবম, পৱারগী কম্মিস্নর সাইলেসকুমার চৌরাসিয়ানা লুচিংবা ওফিশলশিংগী টিম অমা চৎতুনা ফেষ্টিবেল অসিগীদমক শেমগৎ শাগৎলিবশিং হকথেংননা য়েংশিল্লুরবনি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কদবা বাক্সি গ্রাউন্দ য়াওনা ফেষ্টিবেল অসিগী মরু ওইবা থৌরম পাঙথোকফম ওইগদৌরিবা হেরিটেজ সেন্টর, ভঙ্গয়ান অমদি সিরোই ভিলেজনচিংবশিং শেমগৎ শাগৎলিবগী ফীভমসু য়েংশিনখি। অদুগা টিম অসিনা ফেষ্টিবেল অসিগীদমক শাগৎলিবা গ্রীন রুম, গাড়ীশিং পার্ক তৌনবা মফম অমদি হেরিটেজ সেন্টর ফাওবা চৎনবগী শেমগৎলক্লিবা লম্বীগী ফীভমসু য়েংশিনখিবনি। ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়ারবা অমসুং য়েংবা লাকপশিংগী গাড়ীশিং চিলহন্দনবগীদমক উখ্রুলগী লাংদাংদগী চাওইথর ফাওরগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তারক্কদবা লম্বীগী ফীভমসু য়েংশিল্লমখিবনি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২১দা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কদৌরিবা গভর্ণরনা থেংলবদা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ থা অসিগী ২৫দা অমুক হল্লক্লবা য়াই হায়রি।

## রুদা একাদেমিগী টোপ্পরশিং ...

*লমায় ১গী মখা...*ক্লাস টেনদা মহৈরোয় ৫৮ অমসুং ক্লাস ত্বেলভ সাইন্সতা মহৈরোয় ৫০ অমদি আর্টসতা ৬ পূন্না মহৈরোয় ১১৪না এগজামিনেশন অনীসিদা শরুক য়াবদা ১০০দা ১০০ পাস তৌরকপা অমদি মার্কনা চাদা ৯০গী মথক্তা ফংবা মহৈরোয়শিং য়াওনা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরক্তুনা স্কুল অসিগী মীংচৎ পুরকপদা ফাউন্দর সেক্রেটরিনা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী তুংগী লম্বীদা ফংনীংলিবা পান্দম ফংনবা হোৎনবদা খাঙবা কনবগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## স্পিকর সত্যব্রতনা লুচিংবা এম এল এ...

*লমায় ১গী মখা...*অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংদা শেলগী তেংবাঙ খূৎশিন্নখি।

স্পিকর অমসুং এম এল এ খরনা লৈখিদ্রবা দীপককী য়ূমদা থুংলখিদ্রিঙৈগী মাঙওইননা এম এল এ ৱাই খেমচান্দসু মফম অদুদা লাক্তুনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারমখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকপা অমসুং ইমুংগী অৱাবদা শরুক য়াখিবা খোঙচৎতা এম এল এ নিসিকান্ত সাপমনা ফোঙদোকখিবদা দীপকনা মীতৈ অমা ওইনা থৱায় কৎখিবসি ঐখোয় পূম্নমক্লা য়াম্না চাউথোকচৈ। মহাক লৈখিদ্রবসু মহাক্লা তৌরম্লিবা থবক অসিনা মহাক্কী মথৌনা মরিংজেলবু মীয়াম্না শোন্নদুনা লৈহৌরগনি হায়খি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়, দীপকনা ইমুং পুরম্বনিনা মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদা মনাওনুপা ওইরবসু মীওই অমা আর্মিদা চঙবা ওইরবসু থবক অমা তৌবা হায়বসি তঙাইফদে। হৌজিক্তি মণিপুরদা মীয়ামগী পোপ্যুলর লৈঙাক অমা লৈত্রি অদুবু লৈরকপা মতমদা ইমুং অসিদা মতিক চানা মতেং পাংদুনা জষ্টিস ফংহনগনি হায়খি।

## 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' তানবা ...

*লমায় ১গী মখা...* তান্দুনা লাক্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দগী মতাংদসু খন্নগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হয়েং পাঙথোক্কনি হায়রিবা মীফম অসিদা ফূরুপ অসিগী এম এল এ ১০গী মনুংদা কনা-কনা শরুক য়াগনি হায়বগী চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোরক্ত্রিবগা লোয়ননা সূ গ্রুপশিংগী মায়কৈদগীনা করম-করম্বা লালহৌলূপশিংগী মীওইশিং য়াওগদগে হায়বসু খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু গুৱাহাটিগী মীফম অসিগী মাঙওইননা কাংপোকপীদা কুকি-জোগী সী এস ওশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হয়েংগী মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নগদবা ৱাফমশিং খন্দোকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাগী ৫দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা লৌখৎলকপা মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়বা থৌশিলগী মখাদা মীতৈ অমসুং কুকি-জোগী সী এস ওশিংগী মীফম অমা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখ্রবনি। মীফম অদুদা মীতৈ ফূরুপকী মায়কৈদগী অমুকো অমসুং ফোক্সকী মীহুৎ ৩/৩না শরুক য়াখিবনি। অদুবু মীফম অদুদা মণিপুরগী তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি লোইশিন-খমজিন্দুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরক্লবগীদমক হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পুথোরকখিবা ৱারোল ৬তা কুকি-জো সী এস ওশিংগী মীফমদা শরুক য়ারখিবা মীহুৎশিংনা খূৎয়েক পীয়ু হায়বা য়াখিদবনি। অদুগা অনীশুবা রাউন্দগী মীফমসু হৌখিবা এপ্রিল থাগী ২৫দা পাঙথোক্কনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী সিক্যুরিটি এদভাইজর (নোর্থ ইষ্ট) এ কে মিশ্রানা ফোঙদোরকখ্রবসু হৌজিক মে থাগী থাখায় চনশিল্লক্লবা ফাওবদা ফূরুপ অনীগী সী এস ও লুচিংবশিংগী অনীশুবা মীফম করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদগে হায়বগী ৱাফম লৈখায় তাবা ঙমদ্রিবনি।

## গভর্ণর এ কে ভল্লা উখ্রুলদা অহিং লেক্তুনা ...

*লমায় ১গী মখা...* সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিং য়াওনা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পাঙথোকপা/পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিশিং পুরিবা মিনিষ্টরশিংগা হকথেংননা উনরক্লবা য়াই হায়রি।

**/GENERAL BODY MEETING**

তাং ১৪/০৫/২০২৫ ইং

লাক্লিবা জুনগী তাং ৭, থাংজ নুমিত্তা All Manipur Electricity Department Contractors & Suppliers Association (ECSA) গী জেনরেল বোডি মীটিং অমা Sagolband Moirang Leirak তা লৈবা Community Hall, Near Balika School, Imphal দা পাংথোকচগদৌরি। ইকাই খুম্নজরবা মেম্বরশিংনা মতম চানা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবিরনবা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

**খন্ন-নৈনগদবাঃ**
১) সেক্রেটরিগী ৱারোল।
২) অনৌবা থৌ পুনবা খনবা।
৩) অতৈ-অতৈ।

নুমিৎ অসিদা মেম্বরশিংনা মতম চানা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াবিরনবা নোল্লুকচরি।

**অয়ুক পুং ১০: মেম্বরশিং পুনবা।**
**অয়ুক পুং ১১.৩০: চাক্লেন ফংমীন্নবা।**
**শেনখাইঃ লুপা ১,০০০**
G-pay No. : 8787761316

নোল্লুকচরিবা:
**P. Joyshankar Singh**
Secretary
All Manipur Electricity Department Contractors & Suppliers Association

HL-P/2064/15

**পাবিয়ু-নৈনবিয়ু/ /"BOOKS ON DISCOUNT"**

১) মৈতৈশিংগী ইথনোগ্রাফি II= লুপা ৩০০/- (মীতৈ ময়েক)
২) মৈতৈশিংগী ইথনোগ্রাফি II (বঙ্গালি ময়েক) = লুপা ৩৫০/-
৩) সনামহি লাইনিংনা তাকপি তন্বীরম্বশিং (বঙ্গালি অমসুং মীতৈ ময়েক) =লুপা ১৮০/-
৪) A Brief History of Manipur= Rs. 300/- (Pre-History to 1972 A.D)

**লাইরিক ফংফমঃ** (1) R.K Book House (2) Royal Book House (3) Old Students Book Store, Paona Bazar (4) Job Centre, Babupara (5) UKI Yo Book store, Tiddim Road and other Book Stores.

**Editor-Sapam Bheigya**
President, ISA

HL-P/2071/15

**/ ADMIT CARD LOST**

I have lost my Admit Card of B.Sc 3rd year of 2010 bearing Roll No. 810694 and Registration No. 0701708532 of 2007 issued by Manipur University on the way between Porompat and Singjamei on 12th May 2025.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Kshetrimayum Pushparani Devi**
# 8837335020

HL-P/2066/15

**Government of Manipur, Office of the Principal**
**Maharaja Bodhchandra College, Palace Compound, Imphal**
**( Affiliated to Manipur University)**

It is informed to all the concerned that Application Forms with Prospectus for Admission to BA (Hons) First Semester under NEP 2020 for Academic Session 2025-2026 will be issued from 12th May, 2025 onwards during the working hours. The College is NAAC accredited and affiliated to Manipur University, a central university. The College offers undergraduate (BA) Honours Courses under NEP 2020 in nine Arts subjects. The closing date of admission is 7th June, 2025.

Besides academic activities, the College also conducts Regular Career Counselling Sessions, Special Introductory Classes for Competitive Examinations of UPSC, MPSC, CUET-PG, SSC, Bank PO etc. The Korean Language Course is to be introduced from academic session 2025-2026. The contact numbers for admission related matters are 9856628503/9615949846 during the office hours.

Sd/-
(Dr. Bhabananda Singh T.)
Principal, M. B. College.

HL-P/2065/15

The Imphal Urban Cooperative Bank Ltd.
Administrative Office, M.G.Avenue,Imphal

/N O T I C E

Imphal, the 12th May, 2025.

No.IUCB/7(C)/2025-2026 : Notice is hereby circulated for general information for all candidates who passed the written test for recruitment of contract staffs of the Bank for the Post of Asst. Grade-I, Junior Asst., Driver, Grade-IV, Night Guard and Sweeper cum Mali. That a Viva-Voce test for the above posts will held batch by batch w.e.f. 16th June, 2025 onwards. The date and time for conducting the said test will be notified later on.

Sd/-
**H. Meghachandra Sharma**
Dy. General Manager

HL-P/9535/14,15,16